HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



দিসেম্বর ১৪, ২০২৪দা হৈরোক পি এসকী মনুং চনবা শলুংফম হায় স্কুল মনাক্তা খুল ঙাকপা অমা হাৎখিবা অমসুং খুল ঙাকপা তরুক ফাজিন্দুনা থম্লগী মায়োক্তা লম্লাইগী নোংপোক ককচীং কম্যুনিটি হোলদা চঙশিনখিবা ৱাকৎ খোঙজং

থম্মোয় পাউদম : ইন্দিয়া'দা নোংমগী ওইবা চীফ মিনিষ্টর ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে ২০২৫ (মালেমগী ওইবা ...
আলুদা তাবা শাথীবা লায়না 'লেট ব্রাইট' ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ খুন্নাইসিবু অফবা ওইহন্নবা কন্না হোৎনদবা য়াদে...
এ এ পিদগী তোকখিবা এম এল এ ৮ বি জে পিদা ... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ মণিপুরগী টিমনা গোল্ড ৫, সিলভর ১ ফংদুনা...

জিরিবামদগী পীক্লিবা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম্ব ফাদুনা পুখ্রগা হাৎলবা মতুংদা ৱরাক তুরেলদা থাদরকপদা চেন্নবা মীহাৎপশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা উরিপোক খাইদেম লৈকায়দা চখরকপা খূখাং চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিং



Vol. 48, Issue No. 298 | নিংথৌকাবা, ফাইরেনগী ৫/৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, February 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# ফেব্রুৱারী ১০দগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি মীফমদা এন পি পিগী এম এল এশিংগী ফম্ফম ওপোজিশন বেঞ্চতা থৌরাং তৌগনি : স্পিকর



এম এল এ, এল রামেশ্বরনা ১৩শুবা খাগেন্বা ওপন ফুটবোল ট্রোফি হৌদোকপা

## অহল ওইশিল্লক্লবা পোলিটিসিয়ন অমনা পেং চোইবগী থবক তৌবীগনু : এম এল এ রামেশ্বর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** লৈশাং হিদেন পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা অমদি ক্যামগৈগী মীয়াম্না চহী লিশাং শিৎনা ঙাক শেন্দুনা লাক্লিবা মফম অমনি। মফম অসি ক্যামগৈগী মীয়াম্না খোং নৎত্রগা তুরেল অমা ওইনা খন্দে, য়াম্না শেংবা লাইফমলেন অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা য়াম্না লুনা খন্দুনা লাকখিবনি হায়না কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা পাঙমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬



এম এল এ কে রোবিন্দ্রো অমসুং এল রামেশ্বর মীতৈগা লোয়ননা স্পিকর টি ঐচ সত্যব্রতনা ময়াং ইম্ফালগী খুমন মল্টিপর্পজ হোল শঙ্গাবগী মায়খুম হাংদোকপা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী হৌগদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম ওইবদা নত্তনা অনৌবা চহী অসিগীসু অহানবা মীফম ওইগদৌরিবা সেশনদা নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী এম এল এশিংগী ফম্ফম ওপোজিশন বেঞ্চতা থৌরাং তৌরগনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর থোকচোম সত্যব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়গী এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগীনা অৱাং থংবা শরুক অমসুং ময়াং ইম্ফালদা লৈরিবা আকাশবানি ইম্ফালগী টৱার সব ষ্টেশনগীনা চেকপল অমখক্তমক খল্লগা মখা থংবদা লৈবা মফমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## বিষ্ণুপুরগী থোংজাওরোক থোং শঙ্গাদ্রিঙৈদা রিটেনিং ৱালশিং কিন্থৎরকপনা অচৎ-অওকশিংগী বৈতরনি তুরেল ওইরক্কদৌরব্রা



লোইশিনগনি হায়বা মতমদগী চহী ৩ চোন্থরগা শাবা লোইশিল্লক্লবা 'থোংজাওরোক থোং' শঙ্গাদ্রিঙৈদা রিটেনিং ৱালশিং কিন্থখ্রে (হুইয়েন ফোটো)

অল্বা থোকচোম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা অনীশুবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট অসি ফাওরগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট চৎনরকপগী মথক্তা হায়ৱে অমগী মঙলান ফাওবা মঙলক্তুনা শেমগৎ শাগৎপা হৌরক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী টিদ্দিম লম্বী পরিংদা থোং-জাওরোক তুরেলগী মথক্তা শাবা লোইশিল্লক্লবা 'থোংজাওরোক থোং' হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈগী মাঙওইননা থোং অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা টিদ্দিম লম্বী পরিং নীংখাইখিদনবা পিরাই ঙাক্লিবা রিটেনিং ৱালশিং লৈক্রক চৎতুনা কিন্থখিবা হৌরকপদগী থোং অসিবু লাম্থোক-লানশিন তৌরিবা অচৎ-অওকশিংগী বৈতরনি তুরেল ওইরকপা য়াওরক্লগদ্রা হায়বগী মীপাইবা থোং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংগী মীয়াম য়াওনা থোং অসিবু শীজিন্নরিবশিংনা মীপাইবা পোক্লরে।

টিদ্দিম লম্বী পরিংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লান দুনা চৎথোক-চৎশিন তৌরক্লিবা মীয়ামদগী ৱাফম অসি কাঙথোক্লবা হৌরকপদগী পাউচে অসিনা থোং অসিগী ফীভম হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা থোংখোঙগী শরুক্তা থোনগৎলিবা লম্বীশিং ঙাক্লিবা রিটেনিং ৱালশিংগী ফীভম অকিবগী মশক ফংলমখি।

থোংগী ফীভম অসিগী মতাংদা ক্বাসিফাইগী হান্নগী প্রধান অদুগা হৌজিক্লা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী চেয়রপর্সন ওইরিবী থৌদাম ওংবী অহনবী উনরুবদা মহাক্না হায়, থোং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টগী পি এম জি এস ৱাই স্কিমগী মখাদা এম/এস, এন দি এস কন্সত্রক্সননা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৬তগী শাবা হৌখিবনি। কন্সত্রক্সন কম্পনি অসিদা থোং অসি শাবা হৌগৎলকপদা কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট ৫ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা শাবা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা পীরমখিবনি। অদুবু লাইবক থীবদগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মায়োক্লরবা মতুং কাঙলূপ মশেলগী লান অমুক হৌরকপদগী মতম খরা শাবগী থবক লেপ্লুরবা মতুংদা মমাঙ চহী ২০২৪ খক্তদা উচিন নাচিন্না শাবা লোইশিনখিবনি। অদুগা থোং অসি মীয়ামগীদমক শঙ্গাগদবদা ঙাইরে হায়না ফোঙদোক্লমখিবনি।

তশেংনমক মশাগী লোইফম থোকপা অপীবা মতমদগী চহী ৩ লোম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এন পি পিগী নেশনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর কোনড়াদ কে সংমানা অমিট শাহগা উনখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ০২ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা এম এল এ ৭ লৈরম্বদগী এন কায়সি লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌজিক এম এল এ ৬ লৈরিবা এন পি পিগী নেশনল প্রসিদেন্টসু



ওইরিবা কোনড়াদ কে সংমানা ঙসি দেল্লীদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উনখ্রে। লুচিংবা অনীনা উনখিবসি বাংলাদেশতা থোক্লিবা ৱাথোক অসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা পীরক্লিবা শাফূগী মতাংদনি হায়রি। অদুবু এন পি পিনা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎপা তোকখিবগী মতাংদসু ৱারী শানরমগদ্রা হায়না থাজনরি।

## চুড়াচান্দপুরদা কিদনেপ তৌখিবা নন লোকল ড্রাইভর ৩ রেস্ক্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** চুড়াচান্দপুরগী সোংপি খুলগী মফম অমদগী শেলগী দিমান্দ তৌদুনা কিদনেপ তৌখিবা অসামদগী ড্রাইভর অহুম পুলিসনা তুইবোং এরিয়াদগী রেস্ক্যু তৌরে হায়রি।

ড্রাইভরশিং অদুনা সিমেন্ট পুরগা মমাঙ থাগী ৩১গী নুমিদাংদা লাকপদা শকখঙদবশিংনা শেলগী দিমান্দদা ফাখিবনি। অদুবু ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা তুইবোং এরিয়াদগী রেস্ক্যু তৌরে হায়রি।

অমরোমদা, চুড়াচান্দপুরগী বুংমোল খুলদা লৈবা প্রিটি কুমার (২৬) কৌবা মীওই অমনা ঙরাং অয়ূক চুড়াচান্দপুর পি এসতা কমপ্লেন্ট তৌরকপগী মতুংইন্না মহাক্কী মনাওনুপা চন্দনকুমার (২৫) অমসুং মনাওনুপাগা চৎমিন্নখিবা তুইবোংদগী কপলিয়ানলাল এলিয়জ লালবোই (৩৩)বু মমাঙ থাগী ৩১গী নুমিদাংৱাইরমদা ফাদুনা পুখিবা অদুদি ঙসি ফাওবদা লংলা-লংজিন অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈরক্লি হায়রি।

## ৱেটলেন্দশিংনা মীওইবদা ১সুং অঙৈং অশাগী খলদা পীরকপা চৈফূবু ঙাকথোকই : গভর্ণর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২দা মালেমগী মফম শীনবা থুংনা 'ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে' হায়দুনা থৌরম পাঙথোরকপগী মনুং চন্না গভর্ণর অজয় কুমার



ভল্লানা ঙসি লোক্তাক পাৎকী সেন্দ্রা লেক ফ্রন্টতা পাঙথোকপা নুমিৎ অসিগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ৱেটলেন্দশিংনা তোঙান-তোঙানবা ফ্লোরা অমসুং ফাওনাবু ঙাক্লৌ পীবগী মথক্তা মীওইবগী পূন্সিদা মতেং পাংবদা নত্তনা অঙৈং-অশাগী খলদা পীরক্লিবা শাফূশিংবুসু ঙাকথোকহল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অসি লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ) না শীন্দুনা 'প্রোটেক্টিং ৱেটলেন্দস ফোর অৱার কম্মন ফ্যুচর' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা লোক্তাক ৱাটর বর্দ সেন্সস রিপোর্ট-২০২৫ অমসুং 'দি ৱাটর বর্দস ওফ লোক্তাক লেক' মীংথোনবা লাইরিক অমসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর মীয়ামগী ওইনদি লোক্তাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রিলিফ কেম্পতা থৌরী য়ান্দুনা শিজনবা হোৎনরম্বা লুখোই ৱাখল তারক্ত্রি

# থাঙ্গগী এম এল এনা লুপা লিশীং ৫ তেংবাঙবীরম্বা নত্তনা মতেং অমত্তা ফংদ্রি : লোয়নবী মনি

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মীওইবগী ৱাখল চেন্দবা লমহেনবা কুকি-জো শিংনা মখোয়গী টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈদা অতম্মনা ওনশিন্দুনা চখরক্লিবা লানগী চৈথেংদগী ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তগী থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবা অমসুং শিজনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২



রিলিফ কেম্পতা থৌরী য়ান্দুনা শিজনবা হোৎনরম্বদগী রিমসতা লায়কন্নরিবা মশাগী চহী ৭০শুরবা থোকচোম লুখোই (হুইয়েন ফোটো)

## অথৌবা নীংতম লান্মী কেপ্তেন চিরোমচা ১দি প্রাইভেট অথৌবগী মফমদা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ ১সুং কে ৱাই কে এলনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ :** জন্যুৱারী ২৭, ২০২৫গী অঙনবা অয়ূক পুং ২.৩০ রোম তারকপদা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮৭না কোল্লিবা য়াঙৌপোকপী খুলগা নক্লবা মফম অমদা লৈবা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী লৈফমদা কে এন এ-বিনা মায়কৈ অনীদগী অকনবা এটেক চখরকপদগী লালহৌলূপ অদুগা খূৎশম্ননা মায়োক্ল রকপগী মখা তারকপা লানফমশিংদা শরুক য়াখিবা কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুর (য়ু এন এল এফ) গী কেপ্তেন অমা অমসুং কংলৈ য়াওল কন্ন-লূপ (কে ৱাই কে এল) গী প্রাইভেট অথৌবা লৈখিদবদা লালহৌলূপ ...মখা লমায় ৩ কলম ২



কেপ্তেন চিরোমচা এলিয়জ রোবিন্দ্রো- প্রাইভেট অথৌবা এলিয়জ সুসিল (২৯/১২/১৯৮১-৩০/১/২০২৫) (১/৫/২০০৫-৩০/১/২০২৫)

## লৈশাং হিদেনদা ষ্টেটকী থাক্তা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



লৈশাং হিদেনদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দেগী থৌরমদা এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিরেক্টর টি ব্রজকুমারনা ৱা ঙাঙবা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** মহৌশা য়াওদনা ঐখোয় মীওইবনা হিংবা ঙম্লোই অমসুং মহৌশা মীরাইরগা ঐগী-ঐগী খক্তমক খল্লগা লিশাং শিৎনা হিংলকপদগী ঙসি মহৌশানা পীরকপা চৈথেং কয়া মায়োক্নরিবনি হায়রদুনা ঐখোয়গী অকোয়ববু ঐখোয়না কন্দনা কনানসু লাক্লগা কনবীরোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মালেমগী মফম পূম্নমক্ত পাঙথোক্লবগুম লৈঙাক্কী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙনা শীন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা 'প্রোটেক্টিং ৱেটলেন্দস ফোর অৱার কম্মন ফ্যুচর' হায়বা থিমদা লৈশাং হিদেনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

## কোমেট স্কুলগী ওজাগী য়ূমদা বোম থল্লক্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ১১.৪৪ রোম তারকপদা চীংঙামখা ফুরা মখোঙদা লৈবা কোমেট স্কুলগী ওজা ইরোম উমাকান্ত (৫৪) গী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লক্লে হায়রি।

বোম অদু লালহৌলূপ অমগী লেটর হেদতা অকনবা ৱাহৈশিং ইরদুনা থল্লম্বনি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী পুলিস লাক্তুনা বোম অদু লৌখৎখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মায়োক্তা চীংঙামখা ফুরা মখোঙগী কম্যুনিটি হোলদা চীংঙামখা অপূনবা নুপী লমজিং লূপনা শীন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# 'মণিপুর লৈঙাক্না য়াম্না তোয়না ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়রবনিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয় ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিলহনফম থোক্তব্রা'

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
চুড়াচান্দপুরদগী খুঞ্জা শিং

**(ঙরাংগী মখা...)** চুড়াচান্দপুরদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মখোয় অনীনা মখা তানা হায়, অসুক কুইনা চহী ২ ফারক্কদৌরবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা লৈঙাক্না চাবা খক থাকপীরগা লৈরকপা অসিনদি নীংবা থুংবা নত্তে। অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি। শেৎনবা ফি অনী শুনা পুরকপা নংদনা লাঞ্জেন্নরকখিবনা অৱাৎপা কয়া মায়োক্লবনা শূদ-নোমদদি য়াদে। মরম অসিনা অহিং তূমদনা ধুপ, কেন্দলশিং অসি শারগা অয়ূক নুংথিলদনা মফম-মফমদা চৎতুনা নোংমগী লুপা ১০০/২০০দং লেপ্লবসু হায়দুনা য়োনবা চৎলক্লিবনি। মসিমক্না পূম্নমক কোন্নবদি নত্তে অদুবু শূদ-নোমদনা অদুমক লৈঙাক্না পীরকপা চারগা অমদি লৈঙাক্কী য়াকা য়েংলগা লৈবসু ঙমদবনিনা থবক শূফম/শেল থোকফম থিবদসু অৱাবা অমদি ওইরে। হৌজিক য়োল্লিবা পোৎ চৈশিং অসিসু লোইনমক শিৎপা ঙমদে।

ঙসি য়োল্লিবশিং অসিসু নুমিৎ হুম্নি শুরক্লবা পোৎনি। পোৎ চৈ শিৎমন্দবনা মখা তানা শাবসু ঙমদ্রে। অদুবু নোংমগী খরা য়োল্লগা ওটোরিক্সোগী অৱাইমল লুপা ৭০০তগীনা ১০০০ ফাওবদি লৌখ্রগনি অদুগা লেমহৌবা খরা অদুনা ঐখোয় য়োনমিন্নরিবা মশেল অমুক য়েন্নবনি। নোংমদা লুপা ২৫০/২৫০ য়েন্নবা য়াওই। অদুবু হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদা পোৎ চৈশিং অসি শাবদা চঙবা মচাক্কী মমল খায়দোক্ত্রিবনি। অদুবু কুইশিল্লক্লবনিনা পোৎ চৈ য়াম্না শিৎত্রে। মরম অসিনা মফম অয়াম্বদা য়োনবা চৎলি। অদুবু ঐখোয়না চৎতুনা য়োল্লিবা মফমশিং অদু করি লৈকায়নো অমসুং করি লমনো হায়বদুদি অমত্তা খঙদে। হৌজিক য়োল্লিবা পোৎ চৈশিং অসিসু কদাইদা য়োল্লিবনো খঙদে। য়ারিবমখৈ মী য়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবা থিরগা য়োন্নবা হোৎনবনি হায়রকখি।

রিলিফ কেম্পতা লৈদুনা পোৎ চৈশিং অসি শারগা লম্বীদা অচৎ অওক তৌরিবা মীওইশিংদা য়োল্লক্লিবী মশাগী চহী ৭০ রোম শুরবী মাইরেম্বম ওংবী মায়চোন, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এম চাউবা অমদি মশাগী চহী ৫৫ রোম শুরবী খুন্দ্রাকপম ওংবী নুংশি, মপুরোইবা কে ঐচ ইবোতোম্বীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, অহানবা য়োনবা হৌগৎলকপা মতমদদি য়াম্না শিৎলম্মী অদুবু রিলিফ কেম্প মশীং য়াম্বনিনা পোৎ চৈশিং অসি লোইনা শারকপদগী লৈবীনবা মী লৈশিল্লক্ত্রে।

(মথং-মথং)

## খুল ঙাকপা ফাবা অমসুং হাৎপা য়ারোই

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ (ঐচএনএস):** দিসেম্বর ১৪, ২০২৪দা হৈরোক পি এসনা কোল্লিবা শলুংফম হায় স্কুল মনাক্তা পুলিস কম্মান্দোনা কাপ্পদা খুল ঙাকপা নহা অমা শিখিবা অমসুং অতোপ্পা খুল ঙাকপা তরুকপুনা ফাজিন্দুনা থম্লকপগী মায়োক্তা মফম কয়াদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী নোংপোক ককচীং মৈরা পায়বী ইমা লূপ অমসুং ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা নোংপোক ককচীং ইবুধৌ খল্লাংবা লাই লম্পাক্তা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে। খোঙজংলোইশিংনা খুল ঙাকপা হাৎপা অমসুং ফাবা য়ারোই হায়বা য়াওনা দিমান্দ কয়া তকশিনখি।

## কেপ্তেন চিরোমচা, সেকেন্দ লেফটিনেন্ট হেন্থোইবা অমদি প্রাইভেট অথৌবগী মফমদা প্রিপাকনা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০২ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কেপ্তেন চিরোমচা, রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী লান্মী শঙলূপ পি এল এগী নীংতম লান্মী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট হেন্থোইবা অমদি কংলৈ য়াওল কন্ন-লূপ (কে ৱাই কে এল) গী মীয়ামগী ফিঙাং লান্মী (এম ৱাই এল) গী পাথৌ অথৌবগী মফমদা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী মায়কৈদগী ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি ওফিসর (দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) মঙাল খুমননা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা জন্যুৱারী ২৭, ২০২৫, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী কংলৈপাক অমসুং য়ূমলোন্নবা ম্যান্মারগী ঙমখৈ পরিংদা লেপ্তুনা চখরক্লিবা নীংতম য়াওল লাম্হেংদা তোঙান তোঙানবা নুমিৎশিংদা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফ/এম পি এগী কেপ্তেন চিরোম চিরোমচা এলিয়জ রোবিন্দ্রো, পি এল এগী সেকেন্দ লেফটিনেন্ট হেনথোইবা অমদি কে ৱাই কে এল/এম ৱাই এলগী য়াওল লান্মী প্রাইভেট মোইরাংথেম সুসিল এলিয়জ অথৌবগী মফমদা প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী রেদ আর্মি (আর এ)না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫